## ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরদা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং লৌগদৌরিবা অসিগীদমক ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা রেজিষ্টর তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১৬ তগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি হায়না ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পোষ্টশিং অদুদি, ব্লোক টেক্নোলোজি মেনেজরগী পোষ্ট ৩, এসিষ্টেন্ট টেক্নোলোজি মেনেজরগী পোষ্ট ১৫, কম্প্যুটর প্রোগ্রামরগী পোষ্ট ২ অমদি একাউন্টেন্ট কম ক্লার্ককী পোষ্ট ৩ নি। ব্লোক টেক্নোলোজি মেনেজরগী ওইনা মহৈগী থাক বি এস সী/পিজি এগ্রি/হোর্টিকলচর/ভেটিরিনরি এন্দ এ ঐচ/ফিশরি/সেরিকলচর অমদি কম্প্যুটর স্কিল লৈবা ওইগদবনি। এসিষ্টেন্ট টেক্নোলোজি মেনেজরগী ওইনা মহৈগী থাক বি এস সী/পিজি এগ্রি/হোর্টিকলচর/ভেটিরিনরি এন্দ এ ঐচ/ফিশরি/সেরিকলচরনি। কম্প্যুটর প্রোগ্রামরগী ওইনা বি টেক/এম সী এ ফোর কম্প্যুটর প্রোগ্রামরনি। একাউন্টেন্ট কম ক্লার্ককী ওইনা বি কোম/এম কোমনি হায়রি।

## অশোক-অপন নংখ্রবশিংদা সোলিদরিটি উৎলি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে। অশোক-অপন নংখ্রবশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা সোলিদরিটি উৎলি হায়না য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুরগী সেক্রেটরি উরিখিন্বম নোবোকিশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইম্ফালদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক মথং-মথং থোরক্লি। টেলিপতিদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা থাঙ্গাল বজারদসু বোম পোকখায়রকখ্রে। মসিনা মীয়ামদা অকি-তুজুংবা পোকপগী ফীভম অমা লৈরি। মোরেদসু বোম পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মীয়াম তীনবা মফমদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকহনবীগনু। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনসু মণিপুর লৈঙাক্তা পাউ ফাওদুনা বোম ব্লাষ্টকা মরী লৈনবা রিপোর্ট পীখৎলক্কবা খঙহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## থবক লৌগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা রেজিষ্টর তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংগীদমক ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জগী ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি হায়না এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর, ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ, ইম্ফাল ইষ্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা ফমশিং অদুদি, রোদ মোহোরিদা এস টিদা পোষ্ট ৫, য়ু আরদা ১১, ও বি সী (এম) দা ৩ নি। সর্ভেয়রদা এস টিদা ৩, য়ু আর ৪, ও বি সী (এম) ১নি। গেজ রিদরদা য়ু আরদা ১, ও বি সী (এম) দা ১ নি। দ্রাইভরদা এস টিদা ২, য়ু আরদা ৫, ও বি সী (এম) দা ১, পিওনদা এস টি ৪, য়ু আরদা ৯,ও বি সী (এম) দা ১, ও বি সী (পি) দা ১নি। চৌকিদারদা এস টিদা ২, য়ু আরদা ৫, ও বি সী (এম)দা ১নি। স্বিপরদা এস টিদা ১, য়ু আরদা ১,ও বি সী (এম) দা ১ নি হায়রি।

# চীংমী-তম্মী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা চীংমী-তম্মী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা ঙসি লাইশ্রম খুল্লেম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটি কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা হায়খি, মাও কৈথেল অমা ইম্ফালগী অকোয়বদা শাদ্রিবফাওবদি কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা নম্বুল মপালগী মফম অমদা ষ্টোর রুম য়াওবা মার্কেট অমা শাননবা থৌরাং লৌখৎলগনি। কুমজা ২০১৫ গী জুলাই ৩ দগী ইম্ফালগী মফম কয়াদা মোবাইল ওইনা মাও কৈথেল ফমদুনা লাকখিবনি। মসিনা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা নুংশিননা লৈমিন্নবা ঙমহল্লি। মাও মীয়াম্না তম্পাক্তা লাকপা কিনরম্বা অমদি তম্পাক্কী



মীয়াম্না মাওদা চৎপদা কিনরম্বগী ৱাখল্লোন ঙসিদি লৈনরক্ত্রে। ইম্ফালগী মফম অমদা হেক্তা মাও কৈথেল হাংবা মতমদা ফুরুপ কয়াগী মীয়াম হুপ্না পোৎ লৈনরি। সাউদর্ন অঙ্গামি অমদি মাও মীয়ামগী মরক্তা লমগী ৱাহৌ অমদগী নাগালেন্দগী কোহিমাদা মাওগী এঞ্জাং নাপী অমদি মহৈ-মরোং য়োলহনখিদে। মসিদা তম্পাক্তা লৈবা ইমা লূপ, সিভিল সোসাইটি অমদি মহৈরোয় লূপ খরনা পুনশিন্দুনা মাওগী কৈথেল ফম্বীশিং লাকপদা হরাওনা লোয়নবগা লোয়ননা পোৎ য়োনবা হৌরকখি। মৈতৈ ইচিল-ইনাওশিংবু কাউথোকপা ঙল্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন বাসি মাওনা ফোঙদোকখিবদা, তম্পাক্তা লৈবা ইমা, ইচলশিংগা মাওগী নিংঙোলশিংগা পুন্না চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকপসি নুংঙাইবা ফাওই। মাওদদি অসিগুম্বা অমুক্তা তৌদ্রি। মসিনা থম্মোয়দা নুংশিবা ফাওই। মতুংদসু তৌবীবা য়াম্না ফগনি। নিংঙোল চক্কৌবা হায়রিবা অসি চীংদসু তৌনিংই। নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি য়াম্না ফজে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী এদভাইজর ইবোতোম্বী খুমন অমদি মাও য়ুনিয়ন ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট পুনি লোসিসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মাওগী ইচে-ইচলশিংনা অথেনপোৎ পুরকখি। চীংমী-তম্মী পুন্না চাক্লেন চামিন্নদুনা চীং অমসুং তমগী নিংঙোল ওইবীশিংদা খুদোলপোৎসু পীখি।

# পিছ টোক্কী মতাংদা লেফ্ট পার্টি মরিগী মীফম পাঙথোক্কুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

লেফ্ট পার্টি মরিগী ওইবা ইমর্জেন্সি মীটিং অমা ঙসি ইরাবত ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পিছ টোক্কী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে।

মীফম অদুদা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা চ্যের লৌখি। মীফম অদুদা সী পি আই-এম মণিপুরগী লিদর ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা, শরত সলাম অমদি থৌনাওজম শরতনা শরুক য়াখি। সী পি আইগী লুচিংবা এল সোটিন (সেক্রেটরি), কে ঐচ সুরচান্দ, থোকচোম জয়কুমার, আর কে অমুকসনা, এ আই এফ বি মণিপুরগী সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বর অমদি আর এস পি মণিপুরগী সেক্রেটরিয়ট মেম্বর কাংজম মনোরঞ্জনসু শরুক য়াখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথরিবা পিছ টোক্কী মতাংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা লমদম অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া ৱারেপ ওইনা লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীফম কৌদুনা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট অমদি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা রিজোল্যুসন কয়া লৌগদবনি।

রিজোল্যুসন কোপি অদু থা অসিগী ১৮ দা পার্লিয়ামেন্ট সেসনগী মাঙওইননা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা রিজোল্যুসন কোপি থাগদবনি। মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশকী ষ্টেক হোল্ডরশিং ইনভাইট তৌদুনা ৱারী শাগদবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, পোলিটিকেল পার্টিশিং, সী এস ওশিংগা খন্ন-নৈনদুনা পিছ টোক অসিগী মতাংদা কুপ্না ৱারী শাগদবনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমন্টনা হৌজিক পিছ টোক্কী মতাংদা লৈথোক্লিবা মওং অসিবু য়ানিংদবা ৱাফম কয়াসু মীফম অদুদা ফোঙদোক্লখি। মীফম অদুদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথরিবা পিছ টোক্লা মরম ওইরগা লমদম অসোমদা মীয়ামদা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমা মায়োক্নরক্লিবা কয়া অসিগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা লেফ্ট পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়ানা ৱাফম কয়া থমখি হায়না মণিপুরগী লেফ্ট পার্টিশিংগী মহুৎ শীন্দুনা সী পি আই-এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মরাল শীরকপা লাইবক থীবনি : জেদ য়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নদা মরাল শীরকপা লাইবক থীবনি হায়না জেলিয়াংরোং (জেদ য়ু) ইম্ফাল জোনগী মীদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কবুই য়ুনিয়ন মণিপুর হায়বা ওর্গনাইজেসন অসি জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী এসেম্ব্লী ২০১৮, মেজোরখুলদা ফমখিবা মীফম্না রেকগনাইজ তৌখি। জেলিয়াংরোং ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না এফিলিয়সন তৌখি। কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা কবুই ফুরুপ অসি জেলিয়াংরোং নত্তে হায়বা ৱাফম জেদ য়ুনা অঙকপা পোকই। ক্বাকনা ৱাহোং মতু থেৎলগা ৱাহোং ওইবা য়াদে। কবুই খুলশিংনা হৌজিক্কী ইস্যুগী মতাংদা সিট ইন প্রোটেষ্টনচিংবা ফমগনি হায়বগী মতাংদা জেদ য়ু তানরম্বা অমত্তা লৈতে। কবুই খুলশিংনা চেকশিন মীফম ফম্বদা অথিংবা অমত্তা পীখিবা লৈতে। চেকশিন মীফমদা অথিংবা লৈতে। মফম মতমগী মতুংইন্না চৎকদবনি হায়না জেদ য়ুনা ফোঙদোক্লি।

## মোংশাঙ্গৈগী ৱিদো কয়াদা সিৱিং মেছিন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

আই জি পি মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তরগী মীৎয়েং মখাদা ১০৯ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা মোংশাঙ্গৈ এরিয়াদা লৈবা ৱিদো কয়াদা সিৱিং মেছিন য়েন্থোকখ্রে হায়না ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱিদোশিংদা মখোয়গী শেন্থোক লম্বী পীনবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা সিৱিং মেছিন মতেং পাংবনি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেদ পি, আর কে তরুনি, লিট্টল মাষ্টর ইংলিস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দর মোইরাংময়ুম থোইবনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ভিলেজ হেদমেন অমদি মীওই কয়াগী মমাঙদা ৱিদোশিংদা সিৱিং মেছিনশিং য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা কম্মান্দেন্ট ১০৯ বট্টালিয়ন বিনোদ কুমারসু ৱা ঙাংখি। চীফ গেষ্ট ওইখিবী আর কে তরুনি অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মোইরাংময়ুম থোইবনসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মোংশাঙ্গৈ এরিয়াগী ৱিদোশিং অসিগীদমক মতেং পাংবনি। বট্টালিয়ন অসিনা মমাঙদসু ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্কনচিংবসু মফম অসিদা পীখিবা লৈ। ৱাকিং ষ্টিক, হ্বিল চ্যের, হিয়রিং এইদনচিংবসু ওল মণিপুর হেন্দিকেপ স্কুল এন্দ ওল্ড এজ হোমদা মতেং পাংবা লৈখ্রে হায়নসু ১০৯শুবা বট্টালিয়ন সী আর পিকী কম্মান্দেন্টনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## তোঙান-তোঙানবা ফমশিংগীদমক ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬: দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরদা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিং লৌগদৌরিবা অসিগীদমক ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা রেজিষ্টর তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি হায়না ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর, ইম্ফাল ইষ্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পোষ্টশিং অদুদি, ব্লোক টেক্নোলোজি মেনেজরগী পোষ্ট ৩, এসিষ্টেন্ট টেক্নোলোজি মেনেজরগী পোষ্ট ১৫, কম্প্যুটর প্রোগ্রামরগী পোষ্ট ২ অমদি একাউন্টেন্ট কম ক্লার্ককী পোষ্ট ৩ নি। ব্লোক টেক্নোলোজি মেনেজরগী ওইনা মহৈগী থাক বি এস সী/পিজি এগ্রি/হোর্টিকলচর/ভেটিরিনরি এন্দ এ ঐচ/ফিশরি/সেরিকলচর অমদি কম্প্যুটর স্কিল লৈবা ওইগদবনি। এসিষ্টেন্ট টেক্নোলোজি মেনেজরগী ওইনা মহৈগী থাক বি এস সী/পিজি এগ্রি/হোর্টিকলচর/ভেটিরিনরি এন্দ এ ঐচ/ফিশরি/সেরিকলচরনি।

## তমেংলোংদা দিসেম্বর ১৩ দগী ১৫ ফাওবা ১৬লকশুবা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৩ দগী ১৫ ফাওবা ১৬লকশুবা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার তমেংলোংগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটিগী মীটিং অমা ফেষ্টিভেল অদুগী মতাংদা পাঙথোকখ্রে। তমেংলোংগী দি সী আমর্ষ্টোং পামেনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট সেন্টিনরি সেলেব্রেসন পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখি।

মীফম অদুনা ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট সেন্টিনরি সেলেব্রেসনগী বজেট অমসুং অকুপ্পা প্রোগ্রামগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। ওরেঞ্জ গ্রোৱরগী অহানবা প্রাইজ অসি লুপা লাখ ১.৫ পীনবা লেপ্পখ্রে। অনীশুবা পোজিসনদ লুপা লাখ ১ অমদি অহুমশুবা পোজি-সনদা লুপা লিশিং ৭৫ পীনবসু লেপ্পখি। ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা কমলা পুথোকপগী কম্পিটিসনদা শরুক য়াগদবা ওরেঞ্জ গ্রোৱরশিংদা ওনেরেরিয়ম লুপা লিশিং ৮ পীনবসু লেপ্পখি। ওরেঞ্জ কম্পিটিসনগী ফোর্ম থা অসিগী ৮ দগী থাবা হৌরগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩০ ফাওবদি তমেংলোং অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবা পাম্বা ওরেঞ্জ গ্রোৱরশিংনা দি সী ওফিসতগী লুপা লিশিং ১ পীরগা ফোর্ম লৌবা য়াগনি। ফোর্ম ভেরিফিকেসন অমদি ফিল্ড ইন্সপেক্সন দিসেম্বর ১ দগী এস দি ওশিং অমদি হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা চথবা হৌরগনি। ওরেঞ্জ গ্রোৱরগী ভিদিও প্রমোসনসু পাঙথোক্কনি। ওরেঞ্জ ক্বিন কন্টেষ্টসু পাঙথোক্কনি। চহী অসিগী ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেলদা চর্চশিংগী কোরস সিঙ্গিং কম্পিটিসন, চিলদ্রেন মেলা, ইন্দিজিনস গেমস, ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন, ওরেঞ্জ ইটিং কম্পিটিসন অমদি নুপীশিংগী স্পেসল গেমস কয়া পাঙথোক্কনি।

তমেংলোং দি সী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্মিটিগী মীফম অদুনা ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেলগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

## য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা মীয়াম্না চেকশিন মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

য়াইস্কুল অপূনবা মৈরা পায়বী অমদি য়াইস্কুল ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা ঙসি য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা চেকশিন মীফম ফমখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী য়াইস্কুল অপূনবা মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি এল শান্তিবালানা হায়খি, চেকশিন মীফম ফন্নিবা অসি এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চথরিবা পিছ টোক্তা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না ফম্বনি। মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দাবা লমদম অমনি। মসিদা চরক-চহিং নাইবা কয়া থোরক্লিবসি থোকহনবীগনু। ৱারোইশিন পুরকখ্রে হায়নসু মীদিয়াদা হায়রি। মসিনা তংদু-লৈতাদবা ওইহল্লে। সী এমনা মীয়ামদা চরাংনবীগনু, ঈং-তপ্পা লৈবীয়ু



হায়। ইন্টিগ্রিটি কায়রোই হায়বগী অইবা চেরোল লৈরবদি মীয়ামদা ফোঙদোকপীয়ু। পেরামিলিটরি ফোর্স ময়াম থাজিল্লক্লিবা অসিগী ৱাহন্থোক করিনো। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই। মমাঙঙৈদগী ফুরুপ কয়ানা পুন্না লৈমিন্নরকপা লমদমনি। হৌজিকসু লৈমিন্নখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চেকশিন মীফম অদুদা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই, কাঙলুপ ফুরুপ নাইবা ৱারোইশিন য়ারোই, ৱারোইশিন পুরকউ, ৱাকাই পুরক্কনু, মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইন্টিগ্রিটি থুগায়বা য়ারোই, এসেম্ব্লীগী স্পেসল সেসন কৌদুনা ৱারেপ লৌদবা কন্দেম তৌই, লোং লিভ মণিপুর হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়াসু থেৎখি।

## মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

একাদেমীক সেসন ২০১৯-২০ গী ওইনা ক্লাস এলেবেনগী মহৈরোয়শিংগী এপ্লিকেসন ফোর্ম রেজিষ্ট্রেসন অমদি মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং ওনলাইনদা সবমিট তৌবগী মতম থা অসিগী ৮ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরেননা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

নোটিফিকেসন অদুনা হায়, কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী মখাদা প্লস টু কোর্স হাংবা কোলেজশিং অমদি হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালশিংদা ইনফোর্মেসন অসি পীরি। ক্লাস এলেবেনগী মহৈরোয়শিংগী রেজিষ্ট্রেসন এপ্লিকেসন ফোম ওনলাইন সবমিসনগী মতম শাংদোক্লে হায়রি।

## খাঙবোক পার্ট থ্রীদা চেকশিন মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা শানখিবা ৱারী অদু করম্না শানখিবনো অমদি মদুগী ৱারোইশিন করিদা তাখিবনো হায়বা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়না চেকশিন মীফম অমা ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রী লম্লোং দাইমন্দ ক্লবকী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর শিলং লৌমী লূপ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি রোমেশ নিংথৌজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন এস সী এন-আই এমগা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা শানখিবা ৱারী অদু করম্না শানখিবনো অমদি ৱারোইশিন করিদা তাখিবনো হায়বা খঙহনগদবনি হায়না চেকশিন মীফম অসি পাঙথোকখিবনি।

চেকশিন মীফম অদুদা শিলং লৌমী লূপ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা, নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন্না মণিপুরগী শক্তমদা মশক থিহনগদবা ৱাফম য়াওরম্লবদি মণিপুর মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়াদা মাঙজিল থাগনি মণিপুরদা নুংশি-চান্ননা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসিদা পিছ টোক অসিনা মরম ওইরগা শীংচেপ থাজিল্লক্লিবসি য়ানিংদে। মখোয়গী মায়োক্তা মায়োক্নবা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রী লম্লোই দাইমন্দ ক্লবকী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মণিপুর শিলং লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট এন বিশ্বর্জিৎ, ট্রেজরর মংলেম, দাইমন্দ ক্লবকী সেক্রেটরি এন বুধ, প্রসিদেন্ট এল দেবেন অমদি মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। মণিপুরগী শক্তম কায়দনবা অমদি শক্তম কায়নবা শিংনরকপা খুদিংমক্কী মায়োক্তা লেপ্পবা অমসুং মায়োং য়ানবা অকনবা ফিরেপ লৌমিন্নখি।

চেকশিন মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কয়ানা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক চথরিবা অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদিগী অপূনবা শক্তমদা শোকহনবা য়ারোই। ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা কাঙলুপকী ওইবা মীৎয়েংদা ফিরেপ লৌবা য়ারোই। লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তমদা হিরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম থমখি।

হাইগৌ ADMISSION OPEN ঙাক্তা
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/5687/24/9-23/10

## নিংথম লৌরোক্কী মরু-মরাংশিং মতম চানা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা পীহন্নিংবগী অপাম্বা লৌমী কয়ানা ফোঙদোক্নরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):

লৌ লোকপগী মতম য়ৌরকপগা ঈরোয়ননা লৌফম কয়াদা থাবা য়াবা নিংথম লৌরোক্কী মনা-মশিং মখল কয়াগী মরু-মরাংশিং মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা মতম চানা পীহন্নিংবগী অপাম্বা লৌমী কয়ানা ফোঙদোক্নরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা লৌফম কয়াগী লৌমীশিংনা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক লৌ লোকপা য়াবগী তাঙ্কক য়ৌরক্লে। হন্দক চহীগী ওইনা লৌ উবা হৌরকপা মতমদা নোং চুবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা অয়াম্বা লৌফমশিংদা লৌ কয়া ফবা ওইদে। লৌ পান্দবা লৌফম কয়া অমসু য়াওনরি। লৌ পানবা লৌফমশিংগী মনুংদসু ফৌ নীংথিনা শাৎতবা অমদি ফৌহাম শাৎলকপা কয়া অমসু থেংনরি। লৌফম খরদদি উচিনা ফৌ চরোং চিকথৎপগী অৱাবা কয়া অমসু থেংনরি। লৌ পানবা হৌরকপা মতমদা ঈশিংগী চাং অসি য়াম্না ৱাৎখিবা মরম্না ঈশিং চিংলগা লৌ উখিবা কয়ানি। মসিনা মরম ওইরগা মমাঙদা লৌ উখিবদা চঙবা শেলগী চাংদগী হন্দক্না হেন্না চঙবা ফীভম অমা থেংনরি। ফৌসু হন্দক চহীনা ফৌথোক হন্থরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মমাঙ চহীগা য়েংনবদা লৌফম অয়াম্বদা ফৌ পানবগী চাং অসি হন্থবগুম তৌই। লৌফম খরদদি ফৌ ফজনা পানবা য়াওই। হায়রিবা লৌফমশিং অসিদি ফৌথোক অদুম্মক চাং ৱাংগনি। অদুবু চাংচৎতা য়েংবদদি হন্দক্কী কুম অসি ফৌথোক মমাঙগা য়েংনবদা খরদি হন্থরগনি।

লৌ লোক্লখ্রবা মতুংদা লৌফমশিং অসি হাংলক্লগনি। লৌ হেক লোকপা লোইবগা থাবা য়াবা নিংথম মহৈ-মরোং মখল কয়া থানবা মীৎয়েং চঙবগী চঙাইফদবা লৈ। মসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনসু মতম চানা লৌমীশিংদা মরু-মরাং ফংহনবীরবদি য়াম্না খুদোংচাগনি। নিংথম লৌরোক্কী মতমদা থাবা য়াবা মখল কয়াগী মনা-মশিং লৈরি। মরু-মরাংশিং মতম চানা লৌমীশিংনা ফংবা তারবদি মাগী মাগী লৌফমশিংদা শোয়দনা মনা-মশিং মখল কয়া থাবা পাম্নগনি। ফৌথোক হন্থখিবা তারবসু মনা-মশিং নীংথিনা থাদুনা লৌমীশিংগী শেল খরদং কান্নজবা ঙমহৌরবদি ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াম্না ফবা ওইগনি। হৌজিক ফৌ লোক্লখিবা লৌফমশিংদা থাবা য়াবা হঙ্গাম, হৱাই থরাক, আলু, কোবী, খামেন অশিনবা, হৱাইমবী অমদি মখল কয়াগী মনা-মশিং লৈরি। লৌফমশিং পাক-শন্না নিংথম লৌরোক্কী মহৈ-মরোংশিং থাদুনা পোথোকশিং পুথোরক্লবদি লমদম অসিগী ওইনসু য়াম্না কান্নবা ওইগনি। লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং পাংবতা নত্তনা ইংখোল লৈতবা এঞ্জাং নাপী লৈরগা চাবা ইমুংশিংগী ওইনসু য়াম্না ফগনি। লমদমসিদা পুথোকচবা তগৎ-তগৎ তেকপা মনা-মশিং মখল কয়া চাবনা মহাওসু হেনগনি। হকচাং ফবসু হেনগনি। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক পায়খৎপীরক্লবদি মনা-মশিং থাবা পামজবা লৌমীশিংদা য়াম্না মতেং ওইগনি। চাথোক লৈবা অমদি য়াম্না হৌগনবা মরু-মরাং মখল কয়া লৈরিবনি। লৌবুক্তা থাবদা চুনবা ভেরাইটিশিং খঙদোক্লগা মতম চানা ফংহল্লবদি মনা-মশিং মখল কয়া কৈথেলদা ফংহনবা ঙমগনি। লমদমসিগী ওইনা চাবা কোন্ননবা চাং ফাওবা পুথোকপা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈগনি। পুম্নমক অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙ অমদি লৌমীশিং খুৎশম্না থবক পায়খৎমিন্নরবা মতমদা মায় পাকপা ঙমগনি। লমদমসিগী পোথোক হেনগৎহনবা হায়বসি লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎপদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী ওইনসু য়াম্না কান্নবা ওইগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরকখি।

